## পোলিটিক্সতা উরিবা খুদিংমক অচুম্বা নত্তে

জয়পুর, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
পোলিটিক্স হায়বসি পুরিনবা অমসুং য়েন্নবগী থবকনি। পোলিটিক্সতা মীয়াম্না মপান্থোংদা উরিবশিং অদু অচুম্বা নত্তে। অদুগা অচুম্বশিং অদুদি মপান্থোংদা মীয়াম্না উবা ফংদে হায়না রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটনা ফোঙদোরক্লি।

রাজস্থান লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ফমগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া থোরক্লিবা অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর গেলোটনা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী ওইবা মীটিং অমা মমাঙ থাগী ২৫ দা পাঙথোকখ্রে। মীটিং অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম হোঙদোক হোঙজিন তৌবগী মতাংদা খন্নখি। করিগুম্বা মহাক্না থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা কোংগ্রেস প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা মীরেপ ওইরবদি অমদি মায় পাক্লবদি চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্লবা খন্নখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক মীরেপ ওইদ্রবনিনা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকপগী ৱাফম লৈত্রে হায়রি।

## দলিট নুপামচা লাক্লখিবা মীওইশিং ফাগৎপা হৌরে

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
করনাটাকাদা মশাগী চহী ১৪ রোম শুরবা দলিট নুপামচা অমা মীওই ১০ না ইলেক্ট্রিক পোষ্ট অমদা পুল্লবা মতুং ফুদুনা লাক্লখিবগী থৌওংদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা চেন্নরিবশিং ফাগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না দলিট নুপামচা অদুনা পোৎ হুরাল্লস্মী হায়বগীদমক মীওই ১০ না মহাকপু ইলেক্ট্রিক পোষ্টতা পুল্লবা মতুং ফুখিবনি। থৌদোক অদুবু খামদোক্ত বা হোৎনরুবা দলিট নুপামচাদুগী মমাবুসু মীওইশিং অদুনা ফুখি। অদুম ওইনমক মখোয় অনী কা হেন্না শোকপদি ওইখিদে। থৌদোক অসি মমাঙ থাগী ২৯ দা থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই ১০ গী মনুংদা মীওই ৩ দি পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে। লেমহৌরিবা মীওই ৭ অদুসু ফানবা হোৎনরি। করনাটাকাদা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইবশিংবু হন্থনা য়েঙবা অমদি ওৎ নৈবগী থবক কয়া তোয়না চথরিবা অদু থিংনবগীদমক পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

## দিফেন্সিপদা জেদ প্লস সিক্যুরিটি প্রোভাইদ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ ওইনা নৌনা খনখ্রবা জেনরেল অনিল চৌহানদা দেল্লি পুলিসনা জেদ প্লস সিক্যুরিটি প্রোভাইদ তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না জেনরেল অনিল চৌহান হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লৈবাক অসিগী অনৌবা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ ওইনা খনখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী দিরেক্সন মতুংইন্না দেল্লি পুলিসনা অনিল চৌহানদা জেদ প্লস সিক্যুরিটি প্রোভাইদ তৌখিবনি।

চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল বিপিন রাৱট তামিল নাদুদা হেলিকোপ্তর কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মতুং থা ৯ হেন্না ফম অসি হাঙদুনা লাকখিবনি। থা ৯ গী মতুংদা হান্নগী ইষ্টর্ন আর্মি কম্যান্দর জেনরেল চৌহাননা লৈবাক অসিগী লেমজ নিংঙাই ওইরবা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ ওইনা থৌ পুবা হৌখিবনি। মহাক্কী থবক থৌরমশিংদা সিক্যুরিটিগী ওইবা খুদোংচাদবশিং লৈহন্দনবা জেদ প্লস সিক্যুরিটি প্রোভাইদ তৌখিবনি হায়রি।

## মমাঙ চহীদা শিখিবা লৌমীশিংগী অচুম্বা ৱায়েল ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদনা লৈরি ঃ রাকেস টিকেট

লক্ষিমপুর খেরি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৩ দা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা মরাল লৈজদ্রবা লৌমীশিংগী মীশি অদুগী মতুংদা ঙসি ফাওবা অচুম্বা ৱায়েল পুথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না লৌমী লুচিংবা রাকেস টিকেটনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা লৌমীশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ঙসিসু অচুম্বা ৱায়েল ঙাইদুনা লৈরি হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ভারতিয়া কিষান য়ুনিয়নগী লুচিংবা রাকেস টিকেটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী মায়োক্তা সেন্তরনা ফার্ম লো অহুম পুথোরকখিবা অদুগী মায়োক্তা লৌমী কয়ানা খোঙজং চঙশিনখি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৩ দা উট্টর প্রদেশকী তিকুনিয়া ভিলেজদা লৌমীশিংনা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর কেসপ প্রসাদ মৌরিয়াগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা উন্ননবা হোৎনখি। অদুবু য়াম্না মীনুংশি হৈতবা মওংদা মিনিষ্টরবু ঙাক শেন্নবা লৈরিবা কনবোই কারশিং অদুনা মীয়াম তিল্লিবা মফমদা থৌজিল্লকপদগী মীওই ৪ শিখি। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা অচুম্বা ৱায়েল পুথোকপা ঙমদনা লৈরি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৩ দা লৌমীশিংনা তিকুনিয়া ভিলেজদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা পুন্না মীওই ৮ শিখি। মদুগী মনুংদা অনীনা বি জে পি ৱার্করনি অদুগা অমনা জর্নেলিষ্টনি।

য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিনখিবা লৌমীশিংগী খোঙজংদা মীনুংশি হৈতনা গাড়ী থৌজিল্লত্তুনা মীওই কয়া শিহনখিবা অমদি শোকহনখিবা অদু কনানা তৌখিবনো হায়বা খঙলবসু মরী লৈনবশিংনা মরাল লৈবা মীওই ফাদুনা চৈরাক পীবা লৈত্রি। য়ু পিদা লৈরিবা লৈঙাক্না থৌদোক অদুদা চেন্নখিবা মীওইশিং অদু কনখৎতুনা থম্বা মানবা মওংদা থবক চথরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। নুমিৎতুদা থোকখিবা থৌদোক অদু লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা কৈদৌনুংদা কাওররোইদবা থৌদোক অমনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীহাৎপশিং কনখৎনবা হোৎনরিবা অসি তৌরোয়দবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা মীয়াম্না পেন্দবগী খোল্লাউ লাউবদা অকায়বা অমত্তা লৈতে। ঙসিসু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অমদি লৌমীশিংনা লৈখিদ্রবা লৌমীশিং অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ঙাইরি। উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর নৎত্রগা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল অথুবা মতমদা পুথোক্কনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীগদবনি নৎত্রবদি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা মখা তানা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈরি হায়না রাকেস টিকেটনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



## লৌমীশিং হাৎখিবগী থৌদোক অদু য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি ঃ জয়রাম রামেস

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
য়ু পিগী লক্ষিমপুর খেরিদা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক অমদা মীওই ৮ লৈখিদবা অদুগী অহানবা চহী মপুং ফারকখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুবু অমম্বা নুমিৎ হায়না লৈবাক পুম্বদা পালন তৌরি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখিবদা মরাল লৈজদ্রবা লৌমীশিং হাৎখিবগী থৌওং অদুদগী হেন্না ইকায়নিংঙাই ওইবা অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা নাকোয়ননা চেন্নরিবা অজয় মিস্রা টেনিবু সেন্তরনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা খনখিবা অসি মীহাৎপশিংবু য়োকখৎলি হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লে হায়না মরাল শীরক্লি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৌমীশিংগী পুন্সিদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইহল্লিবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা লৌমীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ইন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস অজয় মিস্রা টেনিগী মচানুপানা গাড়ী থৌজিন্দুনা মরাল লৈজদ্রবা লৌমী মরি তথায়দুনা হাৎখি। মদুদগী লৌমী অমদি মীয়ামগী ওইবা অচৌবা ইহৌ অমা লাকপদগী মখা তানা মীওই ৪ শিখি। নুমিৎ অদুদা পুন্না মীওই ৮ শিহনখিবগী থৌদোক অদুদা মিনিষ্টরগী মচানুপা চেন্নে হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মিনিষ্টর অজয় মিস্রাগী মচানুপা অসিস মিস্রাবু লৌমী মরি হাৎখিবা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাখি। অদুম ওইনমক নুমিৎ খরনি লৈরগা অসিস মিস্রা বেলদা থাদোকখিবনি। মহাক থাদোকখ্রবা মতুং মখা তানা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথখিবগী মমি উদ্রে। মসিনা তাকপদি সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মতম চুপ্পদা পৱার পায়নবা হোৎনবদা অরানবা তৌবা মীওই কয়াবুসু য়োকখৎতুনা থম্লি হায়বনি।

অদুম ওইনমক কোংগ্রেসনা বি জে পিগী মায়োক্তা মতম পুম্বদা লেপকনি অমদি মখোয়না তৌরকপা অরানবা থবকশিং ঙাকথোক্লবা শেম শাদুনা লৈ। লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনরি। অমদি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা লোক সভা মীখলদা বি জে পি চাওনা মায়থিবা নঙলগনি হায়না জয়রাম রামেসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## আর জে দি এম পিগী ৱাফম সেন্তরনা অয়াবা পীখিদ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
আর জে দিগী এম পি মনোজ ঝানা পকিষ্টানদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারুনবগীদমক পোলিটিকেল ক্লিয়ারেন্স পীনবা হায়জখিবা ৱাফম সেন্তরনা রিজেক্ট তৌরকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্য সভাগী এম পি মনোজ ঝানা মহাক্কী এপ্লিকেসন রিজেক্ট তৌরকখিবগী থৌওং অদুবু পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অস্মা জহাঙ্গিরগী মতাংদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা মহাক্না ৱা ঙাংবগী খুদোং চাবা পীরকখিদবা অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অস্মা জাহাঙ্গির হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা লৈখিদবনি। পকিষ্টানদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিংগীদমক মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদুগীদমক সাউথ এসিয়াদা মহাকপু হ্যুমেন রাইটসকী আইকোন অমা ওইনা লৌনরিবনি। অসিগুম্বা মীওই অমগী মতাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোল ওফ পোলিটিকেল পার্টিস ইন প্রোটেক্টিং দেমোক্রেটিক রাইটসকী থৌরমদা শরুক য়াবা হায়বসি মরুওই। অদুম ওইনমক সেন্তরনা মসিদা মিৎয়েং চঙদবা অসি নুংঙাইতে। পোলিটিকেল ক্লিয়ারেন্স ফংদ্রবসু ৱাগা বোর্দর ফাওদুনা থা অসিগী ২০ দা মহাক পাকিষ্টানদা চৎনবা পান্দম থম্লি হায়রি।

## হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৩,০১১ থেঙনখি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৩,০১১ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২৮ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৩,০১১ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৫,৯৭,৪৯৮ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৬,১২৬ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ২৮ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,৭০১ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৩ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৮ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২১৮.৯৩ কাপখ্রে হায়রি।

## জমসেদপুরদা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

জমসেদপুর, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
ঝরখন্দগী ইন্দষ্ট্রিএল সিটি জমসেদপুরদা লৈবা দুর্গা পুজা তৌফম মনাক নক্না লৈবা মফম অমদা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকখিবা খুৎলায় পায়বা মীওই অনীনা মশাগী চহী ৪২ রোম শুরবা নুপা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈখিদ্রবা রঞ্জিৎ কৌবা মীওই অদু গেংষ্টর অমনি। মহাক হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা জেলদগী থোক্লকখিবনি। রঞ্জিৎনা দুর্গা পুজা তৌফম মনাক্তা চঙলিঙৈদা মহাক্কী চহী ১২ রোম শুরবী মচানুপী অদু কার মনুংদা ফমদুনা লৈখি। নুপীমচা অদুনা কার মনুংদা ফমদুনা লৈরিঙৈদা মোটোর বাইক অনীদা লাকখিবা মাইখুম উপ্পা মীওই খরনা মহাক্কী অপোকপগী মতাংদা ৱাহং হঙলকখিবগা লোয়ননা নুপীমচা অদুবু কার মনুংদগী চিংথোক্লবা হোৎনখি। থৌদোক অদু রঞ্জিৎনা উবদগী মচানুপীগী মনাক তম্না চেনশিল্লকখি। অদুম ওইনমক মাইখুম উপ্পা মীওই অদুনা নোংমৈনা কাপ্লকপদগী মহাক মথবাক্তা পান্দুনা শোকখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মনাক নক্না লৈরম্বা মীওইশিংনা মহাকপু টাটা মেইন হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎলকখি। অদুবু মহাক শিনা পুরক্লে হায়না দাক্তরশিংনা লাউথোরকখিবনি হায়রি।

## ওফিস বিয়ররশিংনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মীখলগী কেম্পেইন তৌবা য়ারোই



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা কোংগ্রেসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবা মীখলদা পার্টি অসিগী ওফিস বিয়রর ওইরিবশিংনা কেন্দিদেট অমত্তগী কেম্পেইন তৌবা য়ারোই হায়না কোংগ্রেসকী সেন্ত্রেল ইলেক্সন ওথোরিটিনা হায়রি।

সেন্ত্রেল ইলেক্সন ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট ইলেক্সন অসিদা মীরেপ ওইনা থোক্লক্লিবশিং করিগুম্বা ওফিস বিয়ররশিংনা মতেং পাঙনিংলবদি মখোয়না পায়রিবা ফমশিং অদুদগী হান্না রিজাইন তৌগদবনি। কোংগ্রেস প্রসিদেন্টগী ইলেক্সনদা মালিকআর্জুন খার্গে অমসুং সসি থারুর অনীনা লম্বা তৌনগনি। কোংগ্রেসকী ওইনা লৈরিবা দেলিগেটশিংনা মখোয়না অপাম্বা কেন্দিদেটতা বেলোট পেপরগী খুথাংদা ভোট থাদবা য়াগনি। অদুম ওইনমক ইলেক্সন অসিদা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরিশিং/ইন চার্জশিং, সেক্রেটরিশিং, জোইন্ট সেক্রেটরিশিং, প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টশিং, কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবশিং, ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংগী মকোক থোংবশিং অমদি ৱাঙাংলোয়শিংনা কেন্দিদেট অমগী মায়োক্তা নৎত্রগা শৌগৎপা উৎতুনা কেম্পেইন তৌবদি য়ারোই। করিগুম্বা হায়রিবা অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি পার্টিগী চৎন কাঙলোন মতুংইন্না এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৭ তা কোংগ্রেস প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা মতুং থা অসিগী ১৯ দা ভোট মশিং থিবগা লোয়ননা হায়রিবা নুমিৎ অসিমক্তদা ইলেক্সন রিজল্টসু লাউথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা প্রদেস কোংগ্রেস কম্মিটিগী দেলিগেট ৯০০০ হেনবনা ভোট থাদগনি হায়রি।

অমরোমদা, মালিকআর্জুন খার্গেনা ফোঙদোকখিবদা পার্টিগী সিনিয়র লিদরশিংনা মহাকপু মীরেপ ওইনা থোক্লবা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী ইলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবা ফীরেপ লৌখিবনি। সসি থারুরগী মায়োক্তা লেপ্তুনা ইলেক্সন থোক্লকপা নত্তে। পার্টি অসিগী চাওখৎনবা থবক থৌরমশিং তৌনবগী পান্দমদা মীরেপ ওইনা থোক্লকখিবনি হায়রি।

## বিহারগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর সুদাকর সিংহ মফম থাদোকখ্রে, লৈঙাক্তা মরাল শীরক্লি



পটনা, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
বিহারদা জে দি য়ু অমদি আর জে দিগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখ্রবা মতুং লৈঙাক অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরকখিবা আর জে দিগী এম এল এ সুদাকর সিংহ মাঙজৌননা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা কেবিনেট মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রে অমদি লৈঙাক্তা মরাল শীখ্রে হায়রি।

বিহারগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর সুদাকরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু মমাঙ মতমদসু করপসনগা মরী লৈননা হুন্দুনা ঙাংবা লৈখে। মহাক্না লৈঙাক্কী মায়োক্তা করপসনগা মরী লৈননা য়াম্না তোয়না ঙাংবা অদুনা মরম ওইরগা পার্টি মনুংদা মহাকপু য়ানিংদবা মীওই কয়া থোক্লকখি। আর জে দিগী চীফসু ওইরিবা বিহারগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর টেজ সৱি য়াদবনা সুদাকরগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা আর জে দিগী সুপ্রিমোসু ওইরিবা অহাক্কী অপোকপা লালু প্রসাদ য়াদবতা সুদাকরবু কেবিনেট পোষ্টতগী লৌথোক্লবা হায়জখি। লালু প্রসাদ য়াদবনসু আর জে দি বিহার ষ্টেটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সুদাকরগী অপোকপা জগদা নন্দ সিংহদা মহাক্কী মচানুপানা তৌরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী শানবা খঙহনখি। মদুগী মতুং খঙহৌদনা সুদাকর কেবিনেট পোষ্টতগী রিজাইন তৌখিবনি। মহাক্না রিজাইন তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা অপোকপা জগদানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুগী লৌমীশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদবগীদমক মহাক মশানা রিজাইন তৌখিবনি। লৌমীশিংগী হক ফংহন্নবা মহাক্কী মচানুপানা হোৎনদুনা লাক্লবসু লৈঙাক্না মতেং পীদবা অমদি মহাক্কী থবক থৌরমদা অয়েৎপা পীবনা মরম ওইরগা তঙাই ফদনা মহাক মিনিষ্টর ফমদগী পোথাখিবনি। ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংগীদমক মহাক্কী মচানুপানা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎপা পাল্লমখি হায়বসিদি বিহারদা লৈরিবা লৌমীশিংনা খঙনরবা ৱাফম অমনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা কেবিনেট পোষ্টতগী রিজাইন তৌখ্রবা সুদাকরনা মহাক্কী কন্সটিট্যুএন্সিদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অসি হুরানবশিংনা পীক থল্লে, মহাক মশানা হুরানবশিং অদুগী লুচিংবা ওইনা করিগুম্বা মতমদা খল্লকপা য়াওই। অদুম ওইনমক মসিগী মায়োক্তা মহাক্না মতম পুম্বদা লেপকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## চয়েৎনবা কয়া লৈরিঙৈ মরকসিদা কাস্মির পাহারি কম্যুনিটিবু এস টি লিষ্টতা চলহনবা য়ানা লৈরে

স্রিনগর, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) :
নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা হয়েং থুংলগৌরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পাহারি কম্যুনিটিশিংবু সেদ্যুল ট্রাইব ষ্টেটস লাউথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।



রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লৈবাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজৌরি অমদি বরামুলাদা পাঙথোক্কদবা রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি। হায়রিবা রেল্লিশিং অসিদা পাহারি কম্যুনিটিগী মীওই কয়া তিল্লবা য়াই হায়না থাজনরি। রেল্লি অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা পাহারি কম্যুনিটিবু সেদ্যুল ট্রাইব ষ্টেটস লাউথোক্লবা য়ানা লৈ। অদুম ওইনমক জম্মু অমসুং কাস্মিরদা লৈরিবা গুজার ট্রাইবশিংনদি পাহারি কম্যুনিটিবু এস টি ষ্টেটস পীরোইদবনি হায়না সেন্তরদা অকনবা মওংদা তকশিনখিবগা লোয়ননা ঙসিসু এস টি ষ্টেটস পীবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সিনিয়র নেসনল কনফরেন্স লিদর অমসুং হান্নগী এম এল এ কাফিল উর রহমননা ফোঙদোকখিবদা হন্দক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিট শাহনা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা লাক্লিঙৈ অসিদা পাহারি কম্যুনিটিবু এস টি ষ্টেটস লাউথোকহল্লম্লবা হোৎনসি। করিগুম্বা মহাক্কী হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা ঐখোয়না এস টি ষ্টেটসকী খুদোংচাবা অসি লৌহৌদ্রবদি অমুক হন্না লৌবা ফংলরোই। মরম অদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী রেল্লি অসিদা মীয়াম থোক্লক্তুনা অপুনবগী শক্তম অদু উৎকদনি। রহমননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অমিট শাহগী রেল্লিদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী বস ২০ থৌরাং তৌদুনা থম্লে হায়রি। রাজৌরিদগী অতোপ্পা সিনিয়র নেসনল কনফরেন্স লিদর অমনসু এস টি ষ্টেটসকী খোঙথাং অদুবু শৌগৎলক্লি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 473/SDC/SLG/IE of 2022.**
**Dated: 29/09/2022**

Usham Sanahanbi Devi W/o (L) Usham Ibomcha Singh of Pangei Bazar. -Petitioner

-Versus-

(L) Usham Ibomcha Singh S/o Shamungou Singh of Pangei Bazar. -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**
Sagolmang, the 29th September 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহসিল খুল নং 12-Pangei পাটা নং 297 (অরিবা) 154/570 (অনৌবা), দাগ নং 223/319, মোট এরিয়া 0.625 একর চাওবা Phourel লৌফমগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাটাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা আপত্তি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East

HL-P/4321/04

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG-IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 568/SDC/SWG of 2022.**
Parties:-
1) Wahengbam Sanaton Singh S/o (L) W. Irabot Singh of Khurai Angom Leikai. (0.30 acre on the Western Side)
2) - do - Inaobi Singh S/o (L) - do - of - do - (0.865 acre on the Eastern Side)
3) - do - Ibomcha Singh S/o (L) W. Irabot Singh of - do - (0.865 acre on the Middle Side out of 2.03 acre) -Petitioners

-Vs-

Late Pattadar:-
Wahengbam Irabot Singh S/o (L) W. Goura Singh of Angom Leikai. -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**
Sawombung, the 29th September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল গী খুল ন: 33-Khurai Angom Leikai পাট্টা ন: ... (অরিবা) 102 (অনৌবা), দাগ ন: 1166 মোট এরিয়া 2.03 একর চাওবা অওনফৌ লৌফমগী পট্টাদার Wahengbam Irabot Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃ: গী মিং কল্লুগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/4322/04